হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৪, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৭৫ শুবা মশীং

# লমগী মমিং থোনবা

## অথৌবা অতৈসু লমগী মিং থোনবদা শীজিন্নসি

মণিপুরগী পুৱারীদা নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোক অমদি মতমদুগী মাইচৌশিংনা পাল্লমল্লিবা নিংথৌশিং অদুগী অনীংবা অপান্বা য়েংলগা লমগী মমিং থোনবা হায়বসি চৎনবী অমা ওইরকই। সগোলবন্দ, উরিপোক, লম্ফেল, লাঙ্গোল, ক্বাকৈথেল, শিংজমৈ, কোংবা হায়বনচিংবা ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিং অসিসু ঙসি ঙরাংখক্তা মীয়াম্না থোনখিবা মমিং নত্তে। লমগী মমিং কমদৌনা থোনখিবগে হায়বগী লাইরিক ফাওবা হৌজিক্তি মীওই খরনা ফোঙদুনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইহল্লে। য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা লমগী মমিংশিং অসি হৌজিকসু ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনবা লৌচা-পথাপকী মরী লৈনবা চে-চাংশিংদা উবা ফংই। লাইবক থীবদি হৌখিবা চহী খরা অসিদা মণিপুরদা লমগী মমিং পংথোনদা থোঞ্জিনবগী চৎনবী অমা লৈরক্লি। তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীতৈশিংসু চাং য়ামদনা লমগী মমিং খরমখৈদি থোল্লি। অদুবু, মখোয়দগী চীংমীশিংনা লমগী নৎত্রগা খুনগী মমিং পংথোনদা থোনবগী মওং অসি নীংথিজনা উবা ফংই। য়েলহৌঙৈদগী খুন্দারকপা নৎত্রগা খুন্দারক্তবা হায়বা নৎতবদা তম্পাক্তবু ওইরবসু মমাঙঙৈদা থোল্লন্বা খুলগী নৎত্রগা লমগী মমিং অদু হেক্তমক ওন্থোকই। কেক্রুপাৎপু কেক্রু ভিলা, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল শমু মখোঙবু হাথি চোক, ইমা কৈথেল অরিববু পুরানা মার্কেট হায়বনচিংবা মিং থোঞ্জিন্দুনা য়েলহৌঙৈগী মমিং মথাশিং মাঙহনবতা নৎতনা ষ্টেট অসিদা লোলয়ান পুশিনবগী চৎনবী অমা লাকখি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা চীংগী মরুওইবা মফম কয়াদা নৌনা খুল চোংথোরকপা কয়াসু থেংনরে। মীওই মরি-মঙা খক্তমক লৈবা, য়ুম অনী-অহুমতমক শারবসু মখোয়না লৈরিবা মফম অদু খুল অমনি হায়না হেক্তমক লৌরগা মমিং থোঞ্জিনবগী চৎনবী অমসু লৈ। মখোয়না থোঞ্জিল্লিবা লমগী মমিং অদু রেভিন্যুদা লৈবা লমগী মমিংগদি শাথীনা খেন্নে। মরম অদুনা খুলগী খুঞ্জাশিং অদুনা মখোয়গী ওইবা কান্নবা হীরম অমদা লৈঙাক্কী মতেং লৌননবা হোৎনরকপদা খুদোংচাদবা কয়াসু শোয়দনা থেংনগনি।

লমগী নৎত্রগা লন্বীগী মমিং থোনবগী মতাং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা থৌশিল অমা শেন্বা চুমগনি। মণিপুরদা লন্বীগী মমিং থোনবসি লমদমসিগী শক্লাইরবা মীওইগী মমিং লৌরগা থোনবা হায়বসি অকক্নবা খরা খক্তমক ওইরি। খুদম ওইনা বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদ, দিঙ্কু রোদকুম্বা নৎতনা অতৈদি থোইনা লৈতে হায়বা য়াই। পাওনা কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা লন্বী অসি পাওনা রোদ অমসুং থাঙ্গাল কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা লন্বী অসিনা থাঙ্গাল রোদ হায়না চাউরাক্লা মীয়াম্না খঙনজরবসু লন্বী অনী অসিগী চপ চাবা মমিং ফাওবা থোন্দে। গভর্ণর বঙ্গলোগী মনিং থংবা শরুক্তা লৈরিবা লন্বী অসি গভর্ণর রোদ হায়না খঙনরি। অতৈ মরুওইবা লন্বীশিং হায়বদি জেনরেল পোষ্ট ওফিস মমাঙদগী গভর্ণরগী গেট তারগা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনাথোঙ ফাওবগী লন্বী অসি নেসনল হায়ৱেগী শরুক অমা ওইজরবসু সীটি মনুং ফাওদুনা চৎলিবনা ষ্টেট অসিগী লুচিংবা অমগী মমিং লৌরগা থোনবনা মীয়ামদা লন্বী অসিগী মশক তাকপদা হেন্না নুংঙাইগনি। মদু নৎতনা গভর্ণর গেটতগী খরা চৎথোক্লগা লৈবা লন্বীদুদা উনসি হায়বনচিংবা নাকোয়নবা ৱাহৈনা মীয়ামদা লমগী মশক তাকপদা চুশিন্নবা ঙমহনদে। অমরোমদা, লৈঙাক্লা লমগী মমিং থোনবদা মণিপুরগী মশক নাইবা মীওই অমা অনীখক খনগৎলগা মখোয় খক্তগী মমিংদা থোনবসু ফজবা ৱাৎলি। লমগী মমিং থোনবদা মতম অমগী চীংমীশিংগী লুচিংবশিংগী মমিংসু শীজিন্নবা থোইনা কায়দে। মরুওইনা হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা টুলিহল এয়রপোর্ট নৎত্রগা ইম্ফাল এয়রপোর্ট হায়না মমিং ওন্ননবা লৌখিবা ৱারেপ অসি ৱাখল্লোন অসিবুদি তরাম্না ওকই। অদুবু, ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা চীংমী অমসুং তম্মী পুন্নমক্লা য়ানরবা মতম অমদা মীয়ামগী লুচিংবা ওইরম্বা মীওই কয়াসু লৈরি হায়বসি লৈঙাক্লা নীংশিংবা চুমগনি। ঙসি ঐখোয় পুন্নমক্লা মণিপুরী মচানি হায়না চাউথোকচরিবসি নিংথৌরোলদা হায়রগনা মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ, নিংথৌ পান্দ্রবা মতুংদা হায়রগনা লময়ানবা ইরাবতনা লৌখিবা থৌদাংশিংননি হায়বা য়াই। চহী ৭ খুন্তাকপগী চৈথেং অমসুং মণিপুর বর্ম্মাগী ওইরম্বা য়াবদু মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহগী হোৎনমলনা মনীং তন্বা লৈবাক অমা ওইহল্লম্বনি। ইন্দিয়াদা তিল্লুরবা মতুংদা মণিপুর অসামগী শরুক অমা ওইনা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্বদা য়াওরমগদবদু লময়ানবা ইরাবতনা লুচিংদুনা হৌখিবা ঈহৌদগী কনবা ঙমখিবনি। মখোয়গুম্বা লুচিংবশিংগী মমিং-মথাসু লৌরগা ষ্টেট অসিগী মরুওইবা মফমশিংগী মমিং থোলহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) পুনেম্বা (খ) পুম
২। ‘চিট্টাগোং রিপোর্টর’ উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
৩। ‘পাউখুম্না হংলি’ করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪। ‘হি ঈরাকপা’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার* | *(৫)* |
| ২। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৩। | সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৪। | সগোলশেম য়াইফবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৩ গী ৱিন্নর**

*চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার*


দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

সেপ্টেম্বর ২৫, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০; হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩ গী পাউখুম

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) চোইনৌ ঃ- সনা (খ) কোংয়াং ঃ- ৱা পাম্বী
২। ‘ঐ’ কৌবা উপন্যাসকী অইবদু কনানো? ঃ- ক্ষেত্রি বীর
৩। ‘ঐগী নুপাগী মচা’ ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবীদু কনানো? ঃ- হাওবম সত্যবতি
৪। ‘ইবা লোইশিনখিদ্রবা পুন্সিৱারী’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
ঃ- অনিতা নিঙোম্বম
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞
ঃ- আর কে সনাহল



# ফুদিংতা মাঙজোঙ হায়দু ওই তাই

### ৱাইরু ৱাইরুবদা হোঙবা





**ঐগুম্বা** য়াম্না পঙবা মী অমদগী হৌরগা ঐগুম্বা শরুক তরা হেন্না পঙবা মী, নৎত্রগা ঐঙোন্দগী ধমাদা শরুক লিশীং তরা হেন্না শিঙবা মী পূন্নমক্লা য়েংবা য়ানবা শুমাঙ লীলা অরায়বা নৎতে হায়বা খঙনৈ। শুমাং লীলা অসি অরুবা অমদি মীৎ থুকৎপা ফিল্মগা চপ মান্নবসু থোরক্লে। হেক য়েংবদা ফিল্মমকনি। মতমগী মীনা ফিল্ম মানবা শুমাং লীলা পাম্না খোয়দাই।

য়াম্না চম্বা মহৌশাগী শুমাঙ লীলা মখল অদুসু মহাউ কাউদ্রি। ধুলোক মচা অমগা কর্টাল অমা পায়রগা ফম্পাক্তা মী অহুম মরি লেপ্পগা মীতৈ লৈমা ইমাগী মিংখৈ শোল্লসে হায়রগা ধুলোক? ধুলকী? অমা পায়রগা লাউরকপদা নুপা-নুপী, অঙাং, ইমা-ইবেল, ইনে-ইন্দোন পূন্নমক লীলা য়েংফম তান্না হৌদুনা চেন্নরম্মী। হৌজিকসু চেন্নরি। য়াম্না চম্না নুপানি, নুপীনি, মৌনি, অহলনি, অঙাংনি হায়বগী ফিজোল অমমম শেৎলগা লীলাগী মাগী মাগী ৱাঙাঙ অদু ঙাঙনরগা লোইরে। ইপাগী ইবেম্মা নহাক নপানা হায়রিবা ঠিকাদার মোহেনগী মচানুপা বিকাশকা লাক্লিবা ফাইরেন থা অসিদা অওং অউন তন্নগদবনি, মসিগীদমক ইপানা হায়না-শিংনবা পূমলোই লোইরবনি। অদুদগী নুপীমচাদুনা বাবা ঐ হায়রিবা নুপা অদুদা লৈবা শুকঙম ঙল্লোই, নুপী ওইবীগী অনিং অপান্বা অমত্তা ইকায়খুম্নবীবা তৌদনা নুপী অমবু মহাক্লা পামজদবা নুপাদা থাজবীবা হায়বসে ঐ শুকয়া য়াবা ঙল্লোই বাবা, ঐ মদুমতদি ঙাকপীয়ু বাবা। মদুদগী মপা অদুনা মমিৎ কোরী কারদুনা হে লমহেনবী মমা-মপানা হায়বা ইন্দবী শা, লমকেৎ-লমহাইবী নহাক য়ূম অসিদা লৈবা য়ারোই চৎখ্রো চৎলু। নহাক ইচা নৎত্রে, হৌজিকমক নহাক য়ুম অসি থাদোক্তুনা চৎকদবনি নৎত্রবদি... নৎত্রবদি। অঙাং ওইরিঙৈদা তাহৌবা শুমাং লীলাগী দাইলোগনি, চহী নিমফুদি ফাজিল্লক্লে অসুম্মাইনা তারকপা, নিমফু শুদ্রসু কুন্থাদি শুরম্মনি। কুন্থা শুদ্রসু কুনদি শোয়দনা ফারে। কুনসু তোক্লো তরা, তরাসু তোক্লো মঙাদি ফারল্লনি। হৌজিক শুমাং লীলাদা নুপী অমবু মমা মপানা হায়বা নুপাদা থাজবগী ৱা তাবা লোইদ্রি।

মহৌশাদগী তারকপা শুমাং লীলাগী ৱারী, দাইলোগ, থিম অসি হোংবা ঙমদ্রি। ফিল্মগীসু হোংবা লৈত্রি। নুপা-নুপী অনী অদু অহানবা উনবদা নুংশিনবদা য়ানদবা অদুদগী য়ানরকপা অদুদগী অমুক মমা মপাননি খঙদে, কনানোমনা অয়েৎপা পীদুনা কায়ননবা হোৎনবা অদুদগী থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা, মসি ময়াম্না পাম্না য়েংনরি। হান্নদগী লৈরকপা ৱারী হোংদ্রি। খুন্নাই অসি অহোংবা ইরৈ লৈত্রিমাল্লি হায়বা য়াই শুমাং লীলাগী, ফিল্মগী মতুং ইন্নদি।

ফিল্মগা শুমাং লীলাগনা ফৎতে হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনতা লাক্লবা ময়াম অমা হৌজিক তাইবঙদা লমদন্দুনা লৈরি। ফিল্মগা শুমাং লীলাগনা খূৎ-শা থেক্তুনা লৈবগুমসু উই। নুপী লোনবগী নাখোঙ শাবা উৎপা শুমাং লীলা অমা য়েংবা লোইরবা মতুংদা লীল য়েংমিন্নরম্বী মৌ নহা অমা অমুক নুপী অতোম্বী ওইনা য়াম লেম্না চেল্লক্তুনা য়ূমদা হনমিন্নরকপগী ফীভমনি হায়বা য়াই।

য়ু থকপা ফৎতে, নুপী অঙাংদা কারন তাবা মীওইবগী লমচৎ নৎতে, শেঞ্জা থুমজা তৌবা অফবা থবক নৎতে, য়ু য়োনবা ফৎতে হায়বনচিংবা অদুম লাউদুনতা লাকচৈ শুমাং লীলানা অদুবু হায়রিবশিং অসি তাইবঙ মীওইবনা থাদোকপা কৌবা লৈতে। মখা শমথদুনা লৈ। লীলা ফজৈ, ফিল্ম ফজৈ হায়রগা য়ূমদা হল্লক্লগা মতূ ফুবগী মওংদা লৈনরি। অদুনদি ফিল্ম অমদি শুমাং লীলানা ইতম তম্বীদ্রবজাৎলা?

শুমাং লীলানা, ফিল্মনা, দ্রামানা, খোরিরোলগী লাইরিক্লা খুন্নাইদা অহোংবা অমদি কান্নবা ইপী পীবা ঙমদবজাৎলা? অওই অওইনা ঙমদজাৎলা? নুংঙাই নুংঙাই হায়রগা অদুম লোইরজাৎলা? অদুনদি ফিল্ম ইবদা, লীলাদা অদু য়াওহল্লু অদু য়াওহনগনু কাইনা হায়নরিবা ময়াম অসি করি অমত্তা কান্নদবা পোৎশক অমা ওইরজাৎলা? মৱা লৌবিররোইদৌবা অহল হনুবদা স্পোক্সপার্সন হাপ্পদৌনা শুমাং লীলা অমদি ফিল্মদা য়াম্না থাজবা থল্লুবা অরানবা তাবা য়ারিজাৎলা? ৱাহং ওইনা থম্লিংলকপৈ ৱানি। ঐখোয়গী খুন্নাই ফনা য়াওনা চাওখৎপা য়ারবনি লীলাগী মৱা লৌরবদি, ফনা ফজবা ৱা, লৌশিং পূন্নমক তিংখৎতুনা লীলাদা ফিল্মদা হাপ্পদা কান্নবা ইফং ফংদবা, ফুদিংতা মাঙজোং চোঙবা হায়দু তারজাৎলা? তাইবঙনা মখোয়দগী করি তন্বা ঙম্লিগে?

# অপঙবনা ধর্ম্ম লৈবা হেল্লকপা

—— নবকুমার ওইনা ——

**লৈবাক** অমা শেম্বসি ভোট তৌরগা ইলেক্তেদ মেম্বরশিংনা লৈঙাক পায়নখিবদগী মীয়ামসি থবক চিনবা খঙহেন হেল্লবনি, হান্না নিংথৌ পাল্লিঙৈদনা নিংথৌনা হায়বা ইনবদা মীনাইদা-মীনাই মাল্লম্বা, হৌজিক্লা মপু ওইরকপা। মদুমক হৈতবগী ৱাথোক্লা ৱায় চায়রকপা মতম হায়বদুমক ওইররে। হৈত্রবদি লৈবাক কায়নিঙাইনি, কাং-খোং চাইগদৌরিবনি।

‘মীনাইনা মপু হেক্তা ওইবা হায়বসি য়ারোইদা, শাজৎতু হেক্তা থাদোকপা ঙম্নদবদগী হুরান শাজৎ চৎনরিবনিদা। মী হায়বসি হেক্তা শেমদোকপা য়াবা নত্তেদা, হুই মমৈ ফাওবা চুম্বা য়াদ্রিবদা। মসিগুম্বা ৱাখলসি অদুম চুমদুনা লৈবা মাল্লকইবসি চহী চা কয়া শুরম্লগনি খন্থরকই। এদ্যুকেসন পীরিবা, ট্যুসন ফাওবা অসুক কন্না তৌনরিবা অসিদা ৱাখল-লৌশিংদি হোঙবা ঙমদনা থবক মুন্নবগী পৈশা পীজবা, দি পি সি মুখৎপা, কোর্ট য়ৌনবা ময়ামসি লৌশিং হেনগৎলকপগী খুদম ওইগদৌরিবরা? কনা অমনদি মী ফত্তবা হেনগৎলকপনি হায়রিবনি। লৈবাকসিগী লৈঙাকপসু মুন্নদুনা লৈরে, মীওইদুনা তৌরগা ফরনি হায়বা লৈরক্তরে, ত্রাইয়েলদা পুন্সি কেম্নরে, মী মরক্তা নিংথৌ শাবা মুন্নরকপনি। মদুসু মীনাই ৱাখলদনি। চুহি চফু মুন্নবগী মওংদনি, মীনা পীথরক্লগা মুন্নবগী থাক অদুদগী হেনগৎপা ইঙম ঙম্নদ্রি। য়েন্নাও ওন্নবা য়েরুম কোলহল্লু হায়রগা য়েরুম তল চাথোক্লম্বগী ৱা ঙাক্তনি। লোন পীরিবা, সবসিদি গ্রান্ট মুন্নরিবা সেলেক্সন মুন্নরিবা ময়ামসি মপু শাজিনবদু নত্তবা য়ূম্বু ওইনা শিনবা হৈতবগী কোক অমা য়াওরি। অসুম্না অসুম চৎথদুনা লৈরবদি কৈদৌঙৈ মপু ওইরকপা ঙমগদৌরি? মপু হায়বসি থবক শুগদৌবনি, শিনবা হৈগদৌবনি; মচা-মশু, চাদা নাওদা শেমগৎকদৌবনি। মদু খঙববু কনা য়াওরিবগে? হুরানবা থোক্লকপদা কনাসু ইকায়নদ্রে, অঙম্বা শকচরগা চাওথোকচরিবা মী য়ামখৎলক্লি। ওইদা-পাদা মচিন থিবগীসু ইকায়বা খঙদবা, থৈ-থৈদুনা ঙাঙজরগা নুংঙাইজবা, ভোট কানবা হোৎনবদা হুরানবা কিরক্তবা, হুরান্দ্রবদি ভোট কাবা ঙম্লক্ত্রবা ময়ামসিনা ভোট তৌরগা লৈবাক শেমগনি হায়না খন্নরিবসিবু কদায়দা চুমগদৌরিবনো! মীগী মতৌ তম্বদা থৌরী য়ানবগুম্বনি, খোঙফম হেক নান্থবদা শিবা শোয়দ্রবনি। ভোট হৈয়ু য়াদবসিদগী হেন্না শাথিবা লায়না অমা লৈরোইদৌরি । মচা য়োল্লগা ভোট লেপ্পা, মপা শিরগা ভোট কাবা, ভোট লেপ্পদা য়ূম পানফম খঙলক্তবা ময়ামসি লৈঙাক শেমগৎনবা থৌশিল নত্তে। অঙম তান্নবগী লমজেলদা মচোংপাক নাইবা ঙম্লক্তবগী খুদমনি। মীয়াম্না অদুম লাউনরি লৈঙাকসি ফগৎপগী ৱাদি নৎত্রি। য়াম্না পামজবগী মওংদা কেন্দিদেট তরামাথোই লেপশিনবা চাদা তরা ফংবনা ভোট কাবা হায়বসিবু লৈবাক শেম্বা কৌগদৌরিবরা? কদায়দনো অমা মনিং ফুন্দবা অমা য়াওরি। হৌজিক্কী ওইনদি লাউনবদি তারে, ৱা খন্নবদি মান্দ্রি, ৱারেপ্তি ৱাৎলি, চহী চা কয়া চঙখিবা য়ারি। লন্বীদা চেল্লিবা গাড়ীগী খোঙজেলদা ওনবা য়াগদৌবা নত্তে। কোক্তা চেল্লিবা কোক চেলদগী পাগদৌবনি। কোক্তি য়ানদ্রি।

লায়নাসি মওং অমনি। ভোটতা পৈশা লৌবা-পীবা ফজখ্রবা লিলাসি মালেমগী মফম অতৈদা লৈত্রিবনি। মীরেপ মরিদগী পৈশা লৌগদৌরিবনি, ফোংনা পান-দুকান্দা ক্বা মতপ অমদা লুপা লিশীংদা লৈনরিবনি। মদুনা ফ্লায়িং কৌরিবনি। ইলেক্সন ওফিসততা ওফিসিয়েল ওইবা হায়বা তারে, অয়াম্বা লিষ্ট অমমম পায়নরগা মী মশীংদা পৈশানা পুরিরগা পুনখ্রিবনি। মরৌশিং থাদরগা পাউ ফাওনবা খরদি ইমুং খুদিং মীরেপ খুদিংগী পৈশা কায়থোকখিবগী রেকোর্দ ফংনরিবনি। পৈশাগী মতুং ইন্না ভোট য়েন্নবা ইমুং, পৈশা হেনবদনা খরা হেন্না পীবা তারকপদুনি। ভোটসি শোৎলগা পীবা অমসু য়াওরে। ভোট নল্লবা মতুংদা মোবাইল ফোন্না বেলোৎতু ফোটো কাপ্পল্লগা, ফোন্দা য়েংলগা পৈশা পীনবা য়াওরক্লবনি। অদুদগী ই ভি এমসি থাজরক্ত্রে হায়বসু য়াওনরক্লিবনি। মী হায়বসি থাজবা য়াবা ওইরক্তে হায়নরকইবসিনি। তৌরিবসি ভোট নৎত্রে, ব্যুজিনেস অমা ওইরকখ্রে। লুপা ক্রোর চঙলগা কারকপা ভোট ওইবনিনা ক্রোর তান্দবা য়ারক্তবনি। য়াম্না ফজবা থাজবী অমদি লৈরে, চাং মান্ননা মীয়ামসিদা পৈশা য়েনবা হায়বসিবু ফত্তে হায়বা হৌনব্রা। মী অমনা ঠিকা তৌরগা মীয়ামদা য়েনবা হায়বসি অফবা থবক্লি। শিল্লি-লাংলিবা মীদুনা খরা হেন্না লৌববু করি তৌবা, হৌনবনি, মীরমচৎনি। মসিদবু করিগী শাউফম লৈরিবগে? খূৎ চুম্বা অমনা হেক্লগা ময়াম চামিন্নবা কৌই হায়বা য়াওরকইবনি। লেম্না ফংবদা খজিক-খরাক খেন্নববু করি ৱারৌনিঙাই লৈবগে? ঙম্লবদি নঙ-ঐসু পৈশা য়েনবা ঙম্নবা হোৎনৌ হায়রকইবনি। কান্নখ্রবা পৈশা লেম্না য়েনবদবু অরাংফম ওইনীংদবা হৌনব্রা। পৈশা খরদু ফংনবা হোৎনরিঙৈ মীহুৎ ওইগদৌরিদু ফবা-ফত্তবা খন্থনবা শংবা নত্তে, পৈশা হেন্না য়েনবদুদা হেক্তা ফরে হায়বা য়াওনখিবদুনি। মদুদি ভোট নত্তে, লৈবা-য়োনবগী ৱারীনি হায়নরকইবসিনি। শেন্দোংগী খন্নরিঙৈদা ভোট হায়বসিদা ইলেক্সন কৌরিবসিমা পুল্লপ মাঙখিবগী ৱানি। ইলেক্সন য়াওদবা ভোটনি, অচুম্বা খনবা ঙমদবা, মীয়ামসু তৌফম খঙহন্দবা অমরা-অমরা পৈশা খরা লৌহৌবনা কান্নরকপা হায়বদা লাকখিবনি। পৈশা য়েল্লিবশিং অসিদি ইমান্দা মান্নে। অমনবু য়েল্লবসু অমনবু য়েল্লবসু খরা হেন্না য়েনবা ঙম্বদুনা খরগা হেন্নদুম য়েনবা ঙমজসনু হায়বরোমদা লাকখ্রে। পৈশা য়েন্দ্রবরা, কাবগী ৱা লৈত্রে, চৎনরবনি। ভোট কানিংব্রা-কানিংদবরা, মাগী মাগী অপান্বগী ৱাদুনি। ভোট লেপত্রবদি কাবা ঙম্বা হৌনদে। ফজবিদা পৈশা য়েন্দবা ভোট কাগে হায়বদুমা চৎনবীগী ৱাংমদনি। চৎনবীসি শেমদোকসি হায়বদি য়াল্লবা, শেমদোকপদি ঙমদবা। মরমদি পৈশা য়েনবা য়াওনীংবা, পৈশা লৌনিংবা মীশু মশীং য়াম্না য়াল্লিবগীনি। ভোট কানিংবা মীসু য়াম্না লৈরিবগীনি। ভোটপু কানিংলগা হেক্তা কাবা য়াব্রনে? লেপনিংলগা হেক্তা লেপ্পবুদি য়ানরে, কানিংলগা হেক্তা কাবদি ঙম্নবা নত্তে। হেক্তা কানিংবগীনি পৈশা য়েন্নরক্লিবসে। মদুদা অয়াবা পীবা ঙম্নরিবসি করিগীনো? য়াম্না লুবা নত্তেদা, ভোট করিনো খঙদবগীনি। ভোট য়োনবা য়ারিবসে ফজবা ৱাফমদি নত্তে, করি তৌবগী ভোট তৌরিবনো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙদনা, ঐখোয় মরি থোক্নরে, খঙনবা মীনা খোল্লক্লে, থবক অমা হাপ্পীখ্রে, লৈকায়দা লৈবা মীনি, হায়বশিংসি অমত্তা হায়বা য়াবা নত্তে, চুমদে। মরী-মতানি, শাগৈনি হায়না ভোট পীরবদি দেমোক্রেসি নৎত্রে। হৌজিক ফাওবদা ঙাঙনরিবসি অয়াম্বনা লাল্লি। ভোটসে খোম্বা চৎনৈ, অফবা-ফত্তবা নৈনবগী ৱা য়াম্না য়াওনদে। খোম্বা হায়বসিনা খঙহল্লিবসি খোম্বদা য়াবা পোৎ মাল্লকই। খোম্বদা য়ারবদি ভোট পীরিবদু লাল্লে। মীরেপ্পা হায়বা য়াগদৌবা নত্তে, ভোটরনা পীবনা য়াম্লগা কাগদৌবনি। ভোটরনা অফবা খনগদৌবদা পৈশা থিদুনা লৈরবদি মী অফবদি কনানা খনবিগনি। খন্দবদুনবু অফবা থোক্লক্ত্রিবনি। ভোটরশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌদবনি। ভোট পীবা হায়বসি অরোনবনি। লমদমসিদদি কোয়লাউ লাউরগা পাউচেদবু হাপ্পরক্লি। মসিবু লোনা য়াব্রা? লোসিসু অঙকপনি, লোসি ভোটনা অদুম ঙমদুনা চৎকনি হায়রবদি লাল্লমগনি। ভোট কাবশিংনা লো কয়া শেল্লবসু লোদুগী মখাদা লৈনগদৌবনি। অসিৱায়দদি লোবুদি ভোট কাবশিংনা ঙম্না চৎনরক্লি। তাইবঙ শেরান্নবা মফমদা লো চৎনবা য়াবা হৌনদে। লো হৈবশিংনা বন্দ তৌবা য়ানীংদে হায়বা হৌরকপসি লো হৌনবা মতোন চোংবা হৌরকপগী ওইগনি। লো খঙলগা ভোট তৌনরিবসি হেক্তা ফজরদরা? খঙনা-খঙনা লোদু ঙাক্তবা য়াওরিবসিনা কমদৌবা! লোনা করি তৌবা ঙম্লি।

অচুম্বা ফজবা ইলেক্সন অমা তৌদ্রিবমখৈ লৈঙাক ফজবা অমা লাকখিরোই। হায়বদা অচুম্বা মানবগী ৱাতনি, মী অফবা লৈত্রবদি কদায়দগী লৌরুদৌরিবা। অচুম্বা ভোট তৌগে হায়বসি অফবা মী চঙই হায়বগী ৱানি। মী অফবা পুথোকপদি অচুম্বা ভোটনা ঙমগদরা? ভোট তৌনদ্রিঙৈদা পোকখিবা অফবা মী য়াম্না লৈরম্মী। ভোট চৎনরবা মতুংদা পোল্লকপশিং ফত্তবনা য়ামখৎলক্লি হায়বা চুমগদৌরিব্রা? ভোটকী পোখোকসি ফত্তবা মী ওইগদৌরিব্রা? ভোটসি মুখৎপনা অফবা ওইগদৌরিব্রা? ভোট তোকখ্রবদি য়ু য়োনবা তোক্নরকপসু য়ারিপোৎনি। য়ুগা ভোটকসি মরী লৈনৈ। মিনিষ্টরশিংসু য়ু থক্নবগী পাউ লৈ। ভোট খোম্নবসি য়ু থক্নরগা খোম্নবসু লৈ। য়ু পীথল্লগা খোম্বা য়াবা ভোটরশিংনা খনবা কেন্দিদেট অদুবু কয়া য়াম্না অফবা মী ওইগদৌরিবনো? য়ু থক্তবা অহল-লমন, নুপী-অঙাংশিংগীদি পৈশা ওইনা পীবা তারকপদুনি। করিগুম্বা খরা পীনদ্রবদি ভোট পীনদ্রে। ভোটরশিংসু ভোট হায়বসি মথৌ ওইনা অফবা মী খনগদৌবনি হায়বা খঙদবদুনি, পঙবদুনি।

অপঙবশিংনা পৈশা হাৎপা ঙম্নদে। অশিংবা, মীঙোন্দগী পৈশা পুরগা শিংনদবদি ময়াম লৈরিবনি। লুপা লিশীং-লাক্ষ পুরগা শিংনদবগী ৱাথোক কয়া বেঙ্কতা, পুলিসতা লৈরিবনি অপঙবা পৈশা হাৎপা ঙমদবশিংনা ধর্ম্ম লৈখৎলকপদগী ভোটকী লুপা চামঙা-লিশীং অসি ফাওবা হাৎপা ঙম্নদে হায়বসিবু কদায়দা চুম্লিবনো? কেন্দিদেট মরিগী পৈশা লৌরবদি অহুম অমগীদি হাৎলিবদুদি। পাপ লৈতনবা ভোট য়েন্নবগী ৱারীসু লৈরিবনি। পীফম থোক্তবা পৈশা পীররিবদুদি ধর্ম্ম লৈবা কৌগদৌরিব্রা? থাজবিদ্রগা লাইমাং ফল্লগা অমুক্তা মুন্না হংবিয়ু ভোটকী পৈশা য়েনবসি ইলেক্সনগা মরী লৈনবরা হায়বসি। ধর্ম্ম লৈবা শারগা পৈশা লৌশিল্লুরে ভোট পীদবা য়াদ্রে হায়বদুমা হায়বিরনু। ভোট হৈত্রবসু পৈশা হাৎপদুমদি হৈবিয়ু। পাপতু ঐনা পুরবসু পুজগে।